বাংলাদেশকী কেস ১৯৩,৫৯০ য়ৌরে

ধকা, জুলাই ১৫, (এজেন্সি) :

বাংলাদেশতা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস ৩,৫৩৩ হেনগৎখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী টেলি ১৯৩,৫৯০ য়ৌরে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ তাবা ফাওবগী হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা ইনৌ নৌনা মীওই ৩৩ শিখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসিদা শিখিবা মী মশিং ২,৪৫৭ য়ৌখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ১,৭৯৬ নাবা ফরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিগী লায়েংদা ফরকখিবা ১০৫,০২৩ য়ৌরে হায়না দিরেক্টরেট জেনরেল ওফ হেল্থ সার্ভিসেসনা হায়রি।

ট্রম্পনা হোং কোংদগী প্রিফরেনসিএল ষ্টেটস লৌথোকখ্রে, চাইনানা লমন খুম্বগী খোঙথাং লৌখৎকনি হায়খ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

হান্নগী বৃটিশ কোলোনি হোং কোংগী মায়োক্তা ওৎ-নৈবগী খোঙথাং কয়া লৌখৎপগীদমক্তা চাইনাবু চৈরাক পীনবগী পান্দমগা লোয়ননা য়ু এস লোগী মখাদা চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অসিদা পীরম্বা স্পেসল ষ্টেটস লৌথোক্লবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা বৈজিংনসু লমন খুমগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

চাইনানা হোং কোংদা চৎনহন্নবা অনৌবা সিক্যুরিটি লো অমা পুথোক্লবা ৱারেপ লৌবগী ৱাফম পল্লদুনা ট্রম্পনা হোং কোংদা পীরম্বা প্রিফরেন্সিএল ট্রিটমেন্ট লোইশিনগদবা এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা সাইন তৌখি। অখন্নবা প্রিভিলেজ, অখন্নবা ইকনমিক ট্রিটমেন্ট অমদি অরুবা টেক্নোলোজিশিং এক্সপোর্ট তৌবগী ৱাফম অমত্তা লৈররোই হায়না মহাক্না পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

অনৌবা সিক্যুরিটি লো অদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌরিবা চাইনিজ ওফিসলশিংগা বিজিনেস তৌনবা বেঙ্কশিং চৈরাক পীনবগীদমক্তা য়ু এস কোংগ্রেসনা এপ্রুভ তৌখ্রবা বীল অমসু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা খুৎয়েক পীখি।

এগজিক্যুটিভ ওর্দর অসিগা লোয়ননা হৌজিক হোং কোং অসি মেনলেন্দ চাইনাদা য়েংলিবা মীৎয়েংগা চপ মান্ননা য়েংগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এগজিক্যুটিভ ওর্দর অদুগী মখাদা হোং কোংদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনশিং নৎত্রগা সিটি অসিগী দেমোক্রেটিক প্রোসেসতা অকায়বা পীবা পোলিসিশিং নৎত্রগা এক্সনশিং শৌগৎপগী থৌওংশিং চথুরম্বা মীওই খুদিংমক য়ু এসতা বেজ তৌবা লনথুম শীজিন্নবা থিংগনি।

অমরোমদা, য়ু এসকী ইন্দিভিজ্যুএলশিং অমসুং এন্টিটিশিংগী মায়োক্তা লমন খুম্বগী অথিংবা খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি হায়না বৈজিংদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখি।

টোকিয়োদা কোরোনাভাইরসকী ফিভম লুশিল্লকপদগী রেদ এলার্ট লাউথোকখ্রে

টোকিয়ো, জুলাই ১৫, (এজেন্সি) :

খুদক্তা নুংতিগী থেংনবা অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং রেকোর্দ ওইবা মওংদা ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা টোকিয়োনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কোরোনাভাইরস এলার্ট খ্বাইদগী ৱাংবা রেদ লেভেলদা থমখ্রে।

গভর্নর য়ুরিকো কোইকেনা জপানিজ কেপিটেলদা লৈরিবা লাইচৎকী ফিভম অদু থোইদোক্না লুই হায়না ফোঙদোকখি।

টোকিয়োদা ইনৌ নৌনা লাইচৎ হেনগৎলকপগী ফিভম অসিনা মালেমগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি অসিগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা পোলিসি মেকরশিংদা প্রেসর পীবা হেনগৎলগনি হায়না থাজনরি।

এনালিষ্টশিংগী মতুং ইন্না পানেদমিক অসিনা মরম ওইদুনা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা জপানগী শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং ফিসকেল চহী অসিদা খ্বাইদগী থুনা ফিভম শোকচিল্লকপা য়াই হায়না থাজরি।

প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কোইকেনা হৌজিক ঐখোয় সিটিজনশিং অমদি বিজিনেসশিংদা ৱার্নিং পীবগী ফিভম অমদা লৈরে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীয়ামদা তঙাইফদ্রবা নৎত্রবদি চৎথোক-চৎশিন তৌবা তোক্লনবা অপিল তৌখি। মহাক্না য়ুনিভর্সিটিশিংদা লৈরিবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন টেষ্ট তৌবগী চাং হেনগৎলগনি হায়নসু লাউথোকখি। হেল্থ এক্সপার্টশিংনা টোকিয়োদা নহারোলশিংগী মরক্তা ইনফেক্সন হেনগৎপগা লোয়ননা লাইওং উত্তবা কেসশিং য়ামখৎলক্লে হায়না ৱার্নিং তৌখি।

টালিবান্না আর্মি পোষ্টতা এটেক তৌদুনা কম্মান্দো ৭ হাৎখ্রে

কাবুল, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

অফঘানিষ্টানগী অৱাং নোংচুপ থংবা বাদঘিস প্রোভিন্সতা লৈবা আর্মি আউটপোষ্ট অমদা টালিবান ফাইটরশিংনা পুং কয়া চংনা এটেক তৌদুনা অফঘান কম্মান্দো ৭ হাৎখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লো মেকর ১ অমসুং দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা মেদা নুমিৎ হুম্নিগী সীজফায়র চৎনখিবা মতুংদা অফঘানিষ্টানদা হাৎন-শুনবগী ইরাং কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা কাবুলগী ওথোরিটিশিংনা খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অসিবু চয়োল খরা অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌবা হেনগৎলক্লে হায়না মরাল শীখিবা মতুংদা এটেক অসি চথুরকখিবনি।

বাদঘিসকী লো মেকর জিয়াউদ্দিন অকাজিনা ফোঙদোকখিবদা, ফাইটরশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা বলামুগ্রা দিষ্ট্রিক্টকী অউটপোষ্টতা এটেক তৌবদগী নাকল অনীগী মরক্তা পুং ৪ চুপ্পা নোংমৈ কাপ্পখি। শিখিবা অয়াম্বা কম্মান্দো অমসুং স্পেসল ফোর্সকী মেম্বরশিংনি। এটেক অদু কম্মানদাশিং অমসুং স্পেসল ফোর্সেসকী গ্রুপ অমা অনকপদা লৈবা মখোয়গী বেজদগী আউটপোষ্ট অদুদা চৎলিঙৈদা চথুরকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মতুং ইন্না এটেক অদুদা মীওই ৫সু অশোক-অপন নংখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মমৈথংদা টালিবান মিলিটেন্টশিং অদু মফম অদুদগী তকথোকখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা টালিবানগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিবা লৈতে। হৌখিবা চয়োল অসিদা গ্রুপ অসিনা প্রোভিন্স ৩২দ এটেক ৪২২ পাঙথোকখি হায়রি।

ইজরেলনা অল-অক্সা মোস্ককী নোংপোকথংবা গেট থিংজিনখ্রে

রামালাহ, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

ইজরেলনা জেরুসলেমদা লৈবা অল-অক্সা মোস্ককী গেট থিংজিন্নবা ওর্দর তৌখিবা অসিনা লমদম অদুদা লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা লান অমা থোকহল্লকপা য়াই হায়না জেরুসলেমদা লৈবা মুস্লিম ৱাকফ (এন্দোমেন্ট) কাউন্সিলগী মকোক সহিদ অব্দুল-অজিম সালহাবনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ভোইস ওফ পেলেষ্টাইদ রেদিওদা ৱা ঙাঙলদুনা সালহাবনা হায়খি মদুদি, ইষ্ট জেরুসলেমদা লৈরিবা অল-অক্সা মোস্ককী বাব অল-রাহমা গেট থিংজিন্নবা ওর্দর তৌবা ইজরেলি কোর্ট অমগী ভার্দিক্ট কাউন্সিলনা চয়োল অসিদা খঙখি। অসিগুম্বা ইজরেলিশিংগী এক্সন অসি জেরুসলেমদা লৈরিবা অল-অক্সা মোস্ক কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকপা অমনি।

এক্সন অসিনা লাইনিং-লাইশোনগী লান অমা থোকহল্লকপা য়াই। মহাক্কী কাউন্সিলনা ইলিগেল ওইবা ইজরেলি কোর্ট অদুগী ৱায়েল রিজেক্ট তৌই হায়না সালহাবনা ফোঙদোকখি।

বাব অল-রাহমা গেট অসি নোংপোকথংবা গেটনি। গেট অসিদগী মালেম পুম্নগী মুস্লিমশিংগী শেংলবা মফম ওইরিবা অল-অক্সা মোস্কতা হকথেংননা চঙবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, জ্যুশিংনদি মফম অদুবু মমাংঙৈদা জ্যুশিংগী লাইশঙ অনী লৈরম্বা টেম্পল মাওন্টনি হায়না ক্লেম তৌরিবনি। অল-অক্সা মোস্ক লৈরিবা ইষ্ট জেরুসলেম অসি কুমজা ১৯৬৭কী অরাব-ইজরেলি ৱার মনুংদা ইজরেলনা পায়শিনখিবনি।

হোস্পিটালশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা হায়খ্রে

চেন্নাই, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

পোলিসি হোল্ডরশিংদা শেল য়াওদনা কোভিদ-১৯গী ট্রিটমেন্ট ফেসিলিটি পীয়ু য়াদবা হোস্পিটালশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা ইন্স্যুরেন্স রেগ্যুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (আই আর দি এ)না ইন্স্যুররশিংদা খঙহনখ্রে।

ইন্স্যুররশিংগা য়ানখিবা অমদি ক্লেমগী প্রোসেস তৌবা লৈনা-লৈনা অসিগুম্বা হোস্পিটালশিংনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা পোলিসি হোল্ডরশিংবু লায়েংবিয়ু য়াদে হায়বগী ৱাকৎ কয়া লৈরে হায়না পল্লদুনা আই আর দি এনা ইন্স্যুররশিংদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মরী লৈনবা গভর্নমেন্ট এজেন্সিশিংদা ৱাকৎনবা হায়খি।

দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লদাখতা চত্তুনা লান্মীশিং উনরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা জুলাই ১৭ তা দিল্লিদগী লেদা পাইদুনা হৌখিবা পুং ১৫ দা চাইনিজ পিপলস লিবরেসন আর্মিনা চথুখিবা তমথিরবা এটেক্তা অশোক-অপন নংখিবা লান্মীশিংগা ইন্টরেক্ট তৌগদৌরি।

পি এল এগী এটেক অদুদা ইন্দিয়াগী লান্মী ২০ অমদি মশিং খঙদবা চাইনিজ লান্মীশিং শিখিবনি। খোঙচৎ অদুদা সিংহনা ইন্দিয়ন ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌরিবা ফোর্ৱাদ লোকেসনশিংদসু য়ৌশিনগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা ইন্দিয়ন আর্মিগী চীফ জেনরেল মনোজ মকুন্দ নারাভানে লোইনগনি।

মিনিষ্টর অসিনা মমাংগী জুলাই ৩ দা লেদা চৎনবা থৌরাং তৌখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইষ্টর্ন লদাখকী ফোরৱার্দ লোকেসনদা চৎনবা ৱারেপ লৌরকপদগী থৌরাং অদু থাদোকখিবনি। হৌজিক ইন্দিয়া অমসুং চাইনা অনীমক বোর্দর এরিয়াশিংদা টেন্সন হন্থহন্নবা ট্রুপশিং লৌথোকপগা মরী লৈননা মিলিটরি অমসুং দিপ্লোমেটিক এনগেজমেন্টশিং চথুরিবনি। মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা নাকল অনীনা বোর্দর পরিংগী মফম কয়াদা চয়োল ১০ চুপ্পা মুকুৎখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী মিলিটরি দেলিগেটশিংনা ইষ্টর্ন লদাখগী বোর্দরশিংদা ট্রুপ অমদি খুৎশু-খুৎলায়শিং লৌথোক্লবগী মতাংদা পুং ১৫ চুপ্পা মীফম চথখি। ৱারী শানবদু লৈবাকপোকপগী অয়ুক পুং ১১.৩০দগী হৌরগা য়ুমশকৈশাগী নোংঙাল্লমদাই পুং ২ তাবা ফাওবা চথখি। ইন্দিয়ন দেলিগেটশিংগী মায়কৈদগী চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মিগী ট্রুপশিং পাঙ্গোপাৎ অমসুং দেপসাংদগী মপুং ফানা হন্দোক্লবা তকশিনখি।

১৪ শুবা কোর কম্মান্দর লেফটেন্টে জেনরেল হরিন্দর সিংহ অমসুং সাউথ সীঞ্জিয়াং মিলিটরি দিষ্ট্রিক্টকী চীফ মেজর জেনরেল লিয়ু লিনগী মরক্তা ইনৌ নৌনা পাঙথোক্লিবা মীফম অসিগী মমাংদা মখোয়না মান্নবা মীফম অমসু হৌখিবা জুন ৬ তা ইষ্টর্ন লদাখকী চুসুন-মোলদো বোর্দর পর্সনেল মীটিং (বি পি এম) পোইন্টতা পাঙথোকখি। পনবা য়াবদি, জুন ২২ দা রসিয়াগী চত্তুনা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখিবদা, ষ্ট্রেটেজিক বিজিনেসকী ৱারী শান্নবগা লোয়ননা মোস্কোদা লৈবা রেদ স্কয়ারদা পাঙথোকখিবা ভিক্তরি দে পেরেদতসু শরুক য়াখিবনি।

মাওইষ্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন হৌখ্রে

হায়দ্রবাদ, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

টেলঙ্গনাগী ছটিসগরগা লোন্নবা ভাদ্রাদ্রি, কোতাগুদেম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মাওইষ্টশিং থিবা-হুম্বগী অচৌবা ওপরেসন অমা হৌখ্রে। মফম অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমা থোকখিবা মতুংদা ওপরেসন অদু হৌখিবনি।

পুলিস সোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মনাগুরু ফোরেষ্ট এরিয়াদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাওইষ্ট)কী মেম্বরশিং চৎথোক-চৎশিন তৌরে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী পর্সনেল ৫০০ য়াওবা টিম ২৫ না মফম অদুদা থিবা-হুম্বগী ওপরেসন চথখি।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী এস বি সুনিল দত্তনা হায়খি মদুদি, থিবা হুম্বগী ওপরেসন মনুংদুদা য়ুমশকৈশাগী অয়ুক অঙনবদা মালেপালিতোগু এরিয়াদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি।

মাওইষ্ট ৩০ রোম মখোয়গী খুৎলায়শিং হুন্দোক্লম্লগা অশুকপা উমং মনুংদা চেনশিনখ্রে হায়না পল্লদুনা পুলিস ওফিসর অসিনা হায়খি মদুদি, য়ুমথংনরিবা ছটিসগরদগী লোন্না চঙশিল্লকখিবা মাওইষ্টশিং ফাননবা থি-হুম্বগী ওপরেসনশিং মখা তানা চথরি। মহারাস্ত্রগা লোন্নবা কুমুরাম ভিম অসিফবাদ দিষ্ট্রিক্টতসু পুলিস অমসুং মাওইষ্টশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পখি। মঙ্গি ফোরেষ্ট এরিয়াদা কোম্বিং ওপরেসন চথরিবা পুলিস পর্সনেলশিং মাওইষ্টশিংগা থেংনবদগী নোংমৈ কাপ্পবদু থোকখিবনি।

হৌখিবা চহী ৬ অসিদা টেলঙ্গনাদা মাওইষ্টশিংনা মখোয়গী থবক থৌরমশিং কনখৎহন্নবা হোৎনখিবা কয়া পুলিসনা মায় পাক্লা অরেম্বা তাহনখি হায়রি।

ꯐꯤ ꯁꯥꯕꯤ ꯄꯥꯝꯖꯩ/ফি শাবী পামজৈ

রানি ফি অমসুং ফিগে ফনেক শাবী নুপী ১০ পামজৈ। লৈফম চাফমগী খুদোংচাবসু পীজগনি। নম্বর 8787464898 অসিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

HL-B/6267/12,13,16

ꯄꯥꯏꯂꯁ/খাং নাবা, য়াংলেন শরুদা চিকপা-নাবা, খোঙ নাম্মা চিংলকপা, খুকউদা চিকপা-নাবা, মসলশিং চিকপা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ঙকশম মরী নাবা, কোক য়াম্না চিকপা, কোক ঙাওরি ঙাওরি তৌরগা লৈবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, চাবা-থকপা য়াদবা, চাবা তুমদবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা হামেং মথিগুম্না অকনবা হান্নকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা খাং নারগা কুইনা থবক শূবা ঙমদবা, ঙাইহাক্তং ফন্নগসু খাং য়াম্না নাবা, য়াংলেন শরুদসু চিকপা-নাবা, খোঙ নাম্মা চিংলকপা, খোঙ খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্না য়াদবা মতমদা খূৎশাশিং ইপোমতা পোন্নগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খুকউদা চিকপা-নাবা, ফন্নরগা ফুক লাউনা হৌগৎপা ঙমদবা খুকউ নাবনা মরম ওইদুনা, কাময়া অনীমক চিকপা-নাবা, মসলশিং অসি চিকপা-নাবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ঙকশম মরী নাবা, কোক য়াম্না চিকপা অমদি ঙাওরি-ঙাওরি তৌরগা লৈবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক্তা মেৎলগা য়েংবা মতমদা পুক-পুক লাউবা, চাবা তুমদবা, চাবা থকপা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী থুনা থুনা চৎপা, অহিং তুম্বা য়াদবা, নোংম-নোংমগী হকচাং অসি শোনজিল্লকপা, পোথারগতা লৈনীংবা, শূনীং-চৎনীংবা পোক্তবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হান্নকপা, খোঙ মপুং ফানা হাম্বা য়াদবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/7172/16 *থাগৎচরিবা :* **A. Sashikanta Singh, Canchipur**

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 1121/SDC/IW (P) of 2020

Khanthang Tonsing S/o (L) Phungzathang Tonsing of Paite Veng. *...Petitioner*

-Vrs-

Late Phungzathang Tonsing S/o (L) T. Tibalpum of Paite Veng. ...Decreased Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

15/7/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খূথাংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোইগী খুল নং ৭৮ - চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নং ১৬৬ (অরিবা), ৭৮৫/৭৯৭ (অনৌবা), দাগ নং ১৫৯৯/১৬১০গী অমসুং ১২০৩/১৮৫৪গী এরিয়া ০.১৩০০০+০.১৫০০০=০.২৮০০০ একর চাউবা অঙনফৌগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বত্তদা অমদি দখল তৌজবগী মতুংইন্না মহাক্কী মমিংদা এরিয়া লোইনমক নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদার মপাগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২২/৭/২০২০ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

HL-P/7336/16 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, I/W, Patsoi**

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AGRICULTURE : MANIPUR
ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Imphal the 15th July, 2020

NoAGM-1/526/SMAM/(2020-21) - Beneficiary list for subsidy assistance under SMAM (2020-21) is published. Farmers/applicant can see the list at the Directorate office, Sanjenthong or office of the District Agriculture Officer. Selected beneficiary should submit proof of purchase documents like money receipt, tax invoice of machinery/equipment they purchased to the undersigned on or before 31th July, 2020, for subsidy assistance.

For group farmer, they should upload their machinery in the Mobile App for CHC of their service centre.

Sd/- I. Akendro Singh
Nodel Officer (SMAM)

HL-P/7333/16

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

Ref :- Mut. Case No. 135/SDC/SWG of 6/3/2020

Party :- Thoudam Rajen Singh S/o Thoudam Kesho Meitei of Khongman Zone-2 ...Petitioner

-Vs-

Late Pattadar - Thoudam Kesho Meitei S/o (L) Gulap Singh of Khongman Zone-2 ...Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Sawombung, the 13/7/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ঈ ঈ তহশিলগী খুল নং ৬৪-কোংবা চীংজিন পাট্টা নম্বর ১২৩ (অরিবা), ৮৮ (অনৌবা), দাগ নম্বর ২০৬, মোট এরিয়া ১.৭৪ একর চাউবা ইম্খোলগী/লৌফমগী পাট্টাদার থৌদাম কেশো মৈতৈ মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মীং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Sawombung, Imphal East,**

HL-P/7335/16

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 1120/SDC/IW (P) of 2020

Khanthang Tonsing S/o (L) Phungzathang Tonsing of Paite Veng. *...Petitioner*

-Vrs-

Late Phungzathang Tonsing S/o (L) T. Tibalpum of Paite Veng. ...Decreased Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

15/7/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খূথাংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোইগী খুল নং ৭৮ - চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নং ১৬৩ (অরিবা), ৩৭০/৭৮৪ (অনৌবা), দাগ নং ১২০৪গী এরিয়া ০.৩৪০০০ একর চাউবা অঙনফৌগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বত্তদা অমদি দখল তৌজবগী মতুংইন্না মহাক্কী মমিংদা হায়রিবা লম অসি এরিয়া লোইনমক নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদার মপাগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২২/৭/২০২০ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

HL-P/7336/16 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, I/W, Patsoi**

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

Ref :- Mut. Case No. 134/SDC/SWG of 6/3/2020

Party :- Thoudam Rajen Singh S/o Thoudam Kesho Meitei of Khongman Zone-2 ...Petitioner

-Vs-

Late Pattadar - Thoudam Kesho Singh S/o (L) Gulap Singh of Khongman Zone-2 ...Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Sawombung, the 13/7/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ঈ ঈ তহশিলগী খুল নং ৬৪-কোংবা চীংজিন পাট্টা নম্বর ১৪৬ (অরিবা), ১০ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১০৪২, মোট এরিয়া ১.৪৫ একর চাউবা ইম্খোলগী/লৌফমগী পাট্টাদার থৌদাম কেশো মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মীং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Sawombung, Imphal East,**

HL-P/7335/16

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

Ref :- Mut. Case No. 133/SDC/SWG of 6/3/2020

Party :- Thoudam Rajen Singh S/o Thoudam Kesho Meitei of Khongman Zone-2 ...Petitioner

-Vs-

Late Pattadar - Thoudam Kesho Meitei S/o (L) Gulap Singh of Khongman Zone-2 ...Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Sawombung, the 13/7/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ঈ ঈ তহশিলগী খুল নং ৬৪-কোংবা চীংজিন পাট্টা নম্বর ৬ (অরিবা), ১৯২/৩১৯ (অনৌবা), দাগ নম্বর ২১৪, মোট এরিয়া ০.৯৮ একর চাউবা ইম্খোলগী/লৌফমগী পাট্টাদার থৌদাম কেশো মৈতৈ মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মীং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Sawombung, Imphal East,**

HL-P/7335/16

ꯃꯥꯡ / SMART CARD LOST

I have lost my Smart Card of ACTIVA I (Black) bearing Regn. No. MN05E 0735 issued by DTO, Bishnupur on the way between Nambol Chingmang and Nambol Bazar on 14/07/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Chandam Sunita Devi
Maibam Chingmang Nambol

HL-P/7332/16

ꯃꯥꯡ / PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension book bearing PPO No. 111813379 on the way between Ahallup and Thangmeiband on 13th July 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/7032/16 **Sd/- S. Maipak Devi**
Kontha Ahallup Makha Leikai, # 9856232083

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 190/AS&SO,III dt: 13-07-2020

Rabechandra Keisham S/o (L) Keisham Ibochoubi Singh of Wangkhei Laishram Leikai, Imphal East, Porompat- *Petitioner*

-Vrs-

Keisham Ibochou Singh S/o (L) Shangai of Wangkhei Laishram Leikai. *...O.P.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal, 14/07/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৭ - ৱাংখৈ নোংপোক পাট্টা নং ৩৩৬ (অরিবা), ১০১ (অনৌবা), দাগ নং ২০৬৬, এরিয়া ০.৫৪ একর চাওবা ইম্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Keisham Ibochou Singh মৃত্যু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইম্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৪/০৭/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-III, Manipur

HL-P/7331/16

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

Ref :- Mut. Case No. 136/SDC/SWG of 6/3/2020

Party :- Thoudam Rajen Singh S/o Thoudam Kesho Meitei of Khongman Zone-2 ...Petitioner

-Vs-

Late Pattadar - Thoudam Kesho Meitei S/o (L) Gulap Singh of Khongman Zone-2 ...Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Sawombung, the 13/7/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ঈ ঈ তহশিলগী খুল নং ৬৪-কোংবা চীংজিন পাট্টা নম্বর ৫৪ (অরিবা), ৪৪ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১০৩৫, ২০৪, মোট এরিয়া ১.০৯, ১.১৬ একর চাউবা ইম্খোলগী/লৌফমগী পাট্টাদার থৌদাম কেশো মৈতৈ মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মীং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Sawombung, Imphal East,**

HL-P/7335/16

ꯄꯥꯏꯂꯁ / পাইলসকী ওজা
ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা ঐগী হকচাং মতম শাংনা অৱাবা খাংদুনা লাকখি। লায়না লায়ওংদি খোঙ হাম্বদা য়াম্না লিকপা, কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বদা চেকখাইরগা শাবা-থুপ্পা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, হকচাং শোন্থবা, পাঙ্গল ৱাৎলকপা, থবাক ফুনগৎলকপা, পুক গ্যাষ্ট্রিক কাদুনা চাবা-থকপা য়াদবা, অমাংথোঙ মনুং অমসুং মপান্দা পোমদুনা য়াম্না নাবা, চিকপা-শাবা, খুয়া শাবা, খাং নাবা, শৌজগী মপান্দা মঙ্গল মরু মানবশিং লৈরকপা পুম্নমক অসি ঙসিদি অল্লাহগী থৌজালদগী ওজাগা থেংনজবদগী অনাবশিং অসি মপূং ফানা ফজরে। ওজাবু অল্লাহনা মীয়ামগী সেবা পুন্সি শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না দুৱা তৌজরি।

8794429681, 8014623756

লায়েংফম :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

HL-P/7247/16 *থাগৎচরিবা :* **Md. Illeyash, Sangaiyumpham**

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 245/SDC/IW (P) of 2020

Pukhrambam Pasotlei Devi W/o Kamdebo Singh of Sagolband Moirang Hanuba Leirak. *...Petitioner*

-Vrs-

1) Late Shri Chingakham (N) Pukhrambam (O) Taraleima Devi W/o Kamini Singh of Lamjaotongba Moirang Hanuba Leirak.
2) Khaidem Apabi Singh S/o (L) Babudhon Singh of -do- ...O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

15/07/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮৩ - লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ১৬১ (অরিবা), ৬৫ (অনৌবা), দাগ নং ১৩০গী পোইন্ট ০.২৭৬০১ একর চাউবা ইম্খোলগী মনুংদগী পোইন্ট ০.১৯২০১ একর চাউবা লম অসিগী কো-পাট্টাদারিনি অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পানঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগে-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৩/০৭/২০২০ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

HL-P/7339/16 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, I/W, Patsoi**